## জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ :মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু) গী মহৈরোয় অনী ঙসি চীফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুথোক্লকপদা বেল লৌ হায়বা য়াদবদগী জেলদা থাজিনখ্রে। জেলদা থাজিনখ্রবা মহৈরোয় অনী অদুদি, ৱাংজিং সোরোখাইবম লৈকায়দগী বোইজ হোষ্টেল গেট হাউস নম্বর ২০১ দা লৈবা মুসুগী কলচরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম রোবিন্দ্রো (২৪) অপোকপা মনিতোন অমদি শিংজমৈ চীংঙা মখা ইরোম লৈকায়দগী ইকনমিক্স দিপার্টমেন্টকী মহৈরোয় ইরোম কেনেদি (২৪) অপোকপা সতিশকুমারনি।

## নোকফদে-১৭ রিলিজ তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস): আর কে ফিল্মস ইম্ফাল অমদি নোকফাদে কলচরেল ফাউন্দেসন্না পুথোকপা মণিপুরী ভিদিও ফিল্ম *নোকফদে-১৭* ঙসি স্ক্রীপ রাইটর/প্রদ্যুসর, দিরেক্তর নোকফাদে থৌদাম রুহিনিকুমারগী য়ুমদা অচন্বা থৌরম অমগা লোয়নন্না পাঙথোকখ্রে।

## কেটামিন ফারে

*লামায় ১গী মখা...* লিলোং হাওরৈবী মখা লৈকাইদগী ফুন্দ্রেময়ুম অব্দুল হাদি (৩১) অপোকপা লৈখিদ্রবা মহমদ অব্দুল গাফর খান; কিয়ামগৈ কোনয়াইথাবিদগী মহমদ সনাৱার আলি (১৯) অপোকপা অনৱার আলি অমসুং কিয়ামগৈ ময়াই লৈকাইদগী মহমদ ইমরান খান এলিয়স ইবুংঙো (৩২) অপোকপা মহমদ শাহবুদিননি।

'দেট রেপ দ্রগ' হায়না খঙনবা সেক্স ওফেন্দরশিংনা হেক হেক শীজিন্নবা কেটামিন ভায়ল অমদা মিলিলিটর ৩০ চল্লি। মনম চেন্দবা মহাও লৈতবা দ্রগ অসি সেক্স ওফেন্দরশিংনা ইচম চমজবী নুপীশিংদা পীজদুনা ৱাখল তাহন্দ্রবা মতুংদা ফল্লানবগী থৌওং চথবা থেংনৈ হায়রি। দ্রগ অসিগী লিটর অমগী মমল দোমেষ্টিক ব্লেক মার্কেটতা লুপা লাখ ১ পীরম্বদগী লুপা ক্রোর ১ য়ৌরে। ইন্টরনেসনল মার্কেটতদি লুপা ১৪,৪৯,৬০,০০০ পী হায়রি। লুপা ২,৫৫,০০,০০০ রোমগী ওইগদবা রেদ সেন্দলৱুদশিং অদু দিষ্ট্রিক্ট ফোরেষ্ট ওফিসর থৌবালদা মখা তাবা থবক লৌখৎনবা খুৎশিন্নখ্রে। নাকোর্টিক্স এন্দ এফ্যেরস ওফ বোর্দর পুলিস ষ্টেসন্না থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস লৌখত্তুনা অচৌবা ইন্টরনেসনল গেং অমা চেন্নব্রা হায়বদু চপ চানা খঙদোক্লবা থিগৎপা হৌরে হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## GAS NEWS

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking Upto:20/07/2018
Valid From:12/07/2018
***Stk 14Kg:306 , Rs.938/-***
***5Kg Stock Available***
Timing :08.00am to 10.00am

**GBD INDANE, LAMLONG**
Booking Upto:26/06/2018
Valid From:19/06/2018
***Stk :306 (CTC)***
Timing :07.00am to 10.30am

**KHONGNANG GAS, NINGTHOUKHONG & BPR SL.NO. UPTO 8189**
Booking Upto:18/07/2018
Valid From:17/07/2018
***Stk :306***
Timing :07.30am to 10.30am

**LEIBAKLEI GAS, KAKCHING**
Booking Upto:18/06/2018
Valid From:10/06/2018
***Stk :612***
Timing :07.30am to 11.00am

**LAMSANG GAS AGENCY**
Booking Upto:09/07/2018
Valid From:04/07/2018
***Stk :306 (DBTL***
Timing :07.00am to 10.00am
(Submit Aadhaar Xerox)

**MAIBIA GAS, MOIRANG SL.NO. 6101-6570**
Booking Upto:04/07/2018
Valid From:02/07/2018
***Stk :306***
Timing :07.00am to 11.00am

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking Upto:12/06/2018
Valid From:10/06/2018
***Stk :306***
Timing :07.30am to 09.30am

**MISAO GAS SERVICE**
Booking Upto:12/07/2018
Valid From:27/06/2018
***Stk :306***
Timing :07.30am to 10.00am

**YAIRIPOK GAS SERVICE**
Booking Upto:26/07/2018
Valid From:24/07/2018
***Stk :306***
Timing :07.00am to 10.00am

**KHUMBONG INDANE**
Booking Upto:04/08/2018
Valid From:01/08/2018
***Stk :306***
Timing :07.30am to 10.30am

**HEIROK INDANE SERVICE**
Booking Upto:14/07/2018
Valid From:23/06/2018
***Stk :306***
Timing :07.30am to 10.30am

**SAWOMBUNG INDANE**
Booking Upto:03/07/2018
Valid From:01/07/2018
***Stk :306***
Timing :07.30am to 10.00am

# 'জেনিমসতা হেপাটাইটিসকী মোদেল ট্রিটমেন্ট সেন্টর হাংনবা থৌরাং তৌরি'

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস): জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্স (জেনিমস)তা হেপাটাইটিসকী মোদেল ট্রিটমেন্ট সেন্টর হাংনবা থৌরাং তৌরি হায়না হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ঙসি ক্লাসিক হোটেলদা পাঙথোকখিবা হেপাটাইটিসকী ৱার্কশোপতা ফোঙদোকখ্রে।

নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুর অমদি দিরেক্টোরেট ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের সর্ভিসনা খুৎশম্নুনা শীন্দুনা নেসনল ভাইরেল হেপাটাইটিস কন্ট্রোল প্রোগ্রামগী মতাংদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেবেল কন্সল্টেটিব ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা হেল্থ মিনিষ্টর জয়ন্তকুমারনা হায়খি, অনা লায়েংগী লম্দা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং কয়া চঙলি। চাউখৎলকপগা ইরোয়নন্না অনৌবা লায়না কয়াসু থোরক্লি। নৌনা থোরক্লিবা লায়না মখল কয়া অসি খঙদোক্লবা অমদি লায়েংবগী থবক চথনবা মেদিকেল সাইন্সনসু লেপ্তুনা হোৎনরি। নৌনা থোরকপা লায়নাশিং লায়েংনবগী ওইবা ট্রিটমেন্ট কয়া অমদি হীদাক মখল কয়াসু পুথোক্লি। কেন্সর য়াওনা লায়না মখল কয়া লায়েংনবগীদমক তোঙান-তোঙানবা ট্রিটমেন্ট কয়া পুথোক্লি। মীওইবনা হিংলিঙৈ মতমদা হকচাং নাদ-য়েক্তনা লৈবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি।

হেপাটাইটিসকী মতাংদা ঙসি এক্সপর্ট অমদি অখঙ-অহৈ কয়া য়াওনা পাঙথোক্লিবা ৱার্কশোপ অসি য়াম্না কান্নগনি। জেনিমসতা হেপাটাইটিসকী মোদেল ট্রিটমেন্ট সেন্টর লিংখৎনবসু হোৎনরি। রিমসতসু অসিগুম্বা সেন্টর অমা হাংনবা অমদি চুড়াচান্দপুরদা ট্রিটমেন্ট সেন্টর অমা হাংনবা প্রপোজ তৌরি। হেপাটাইটিসকী মখল কয়া অমসু লৈরি। লায়না অসি মতম চানা খঙদোক্তুনা লায়েংবগী থবক নীংথিনা চথবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুরগী মিসন দিরেক্টর এন বন্দনানা হায়খি, নেসনল ভাইরেল হেপাটাইটিস কন্ট্রোল প্রোগ্রামগী মতাংদা ষ্টেকহোল্ডর কয়া য়াওনা ঙসি ৱার্কশোপ অসি পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনরি। মসিদা মেক্স, এন জি ও অমদি হেল্থকা মরী লৈনবা কয়া অমসু শরুক য়ারি। মণিপুর অসি ঐচ আই ভি প্রিভিলেন্ট ওইবা ষ্টেট অমা ওইরি। ঐচ আই ভিগা লোয়নন্না হিংলিবশিংগী মরক্তা হেপাটাইটিস নাবা কয়া অমসু য়াওরি। হৌজিক হেপাটাইটিস কন্ট্রোল প্রোগ্রাম অসি লাকপা মতমদা লায়না অসি লায়েংবদা খুদোংচাগনি। হেপাটাইটিসনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা মীওই কয়া অমসু য়াওখ্রে। হেপাটাইটিস কন্ট্রোল প্রোগ্রাম অসি মপূং ফানা পায়খৎলকপা মতমদা হেপাটাইটিস লায়েংবগী লম্দা খুদোংচাবা কয়া ফংগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডো. কে রাজোনা হায়খি, হেপাটাইটিস লায়নাগী মতাংদা নীংথিনা এৱ্যের ওইমিন্নবা তঙাইফদে। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা করি-করি তৌবা য়াবগে হায়বদু অখঙ-অহৈশিংদগী নীংথিনা হংদুনা খঙনবা হোৎনবা চঙই। মীরোনবী নুপীশিংনা অঙাং উনবা মতমদা ওপরেসন তৌবদসু চেকশিনবা তাই। অনা-লায়েংগা মরী লৈননা শীজিন্নবা খুৎশু-খুৎলায়শিং নীংথিনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা জেনিমসকী দিরেক্টর ডো. ভিমোসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। তুংদা টেক্নিকেল সেসন পাঙথোক্তুনা অখঙ-অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

# ফুরুপ মচাশিংগী চাউখৎ থৌরাংগীদমক কম্মিটি শেম্বা ফগনি : খেমচান্দ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): এম এল এ পুথোকপা ঙমদ্রিবা অপীকপা ফুরুপশিংগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক্তা খোঙজেল য়াঙনা পায়খৎপা ঙম্নবগীদমক লৈঙাক্কী কম্মিটি শেম্বা ফগনি হায়না মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

লাৱর কোম কৈরাপ বেপ্টিষ্ট য়ুঠ সোসাইটিনা শীন্দুনা লাৱর কোম কৈরাপ প্লেগ্রাউন্দদা নাৎকী থৌরম কয়াগা লোয়নন্না পাঙথোকখিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট লোইশিনবগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা হায়খি, অপীকপা ফুরুপশিংগী য়াইফ থৌরাংগীদমক অসামদদি লৈঙাক্লা কম্মিটি শেমদুনা বজেটতা শেল হাপ্পগী থবক চথবা হৌখ্রে। এম এল এ পুথোকপা ঙমদ্রিবা অপীকপা ফুরুপশিংগী ওইনা কম্মিটি শেম্লগা বজেট হাপ্তুনা থবক কয়া পায়খৎপগী থবক অসামদা হৌখ্রে। অসিগুম্বা থৌরাং অসি মণিপুরদসু পায়খৎনবা তকশিল্লগনি। অপীকপা ফুরুপশিংনা য়াইফনবগীদমক থবক থৌরাং কয়া পায়খৎপা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি।

মণিপুর শান্ন-খোৎনবগী লম্দসু থোইদোক হেন্দাক্লা শীংথানিংঙাই ওইবা লমদম অমনি। অফবা শান্নরোয় কয়াসু পুথোক্লি। মখা তানসু অফবা শান্নরোয় কয়া পুথোক্লবা হোৎনসি। মেরি কোমনচিংবা মশক নাইরবী শান্নরোয় কয়াসু লৈরিবনি। খেল্লো ইন্দিয়াগী মখাদা শান্ন-খোৎনবগী লম্দা পায়খৎপা য়াবা কয়া অমসু লৈরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা সোসল ৱার্কর লানঙম্বনা হায়খি, লমদমসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগী শক্তম ঙাক্লবা হোৎনবা অমদি য়াইফ থৌরাংশিং পায়খৎপা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। অপীকপা ফুরুপশিংগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমশিং নীংথিনা য়েংবীবগা লোয়নন্না থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াসু খঙবীবা চঙই। তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা খুন্দামিন্নরিবা লমদম অসিদা থোং মান্ননা চাউখৎমীন্নদুনা নুংশি-চানবা লম্বীদা চৎমিন্নবা তাই। অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোনগা লোয়নন্না অপূনবগী শক্তম শাগৎসি।

সঙাই য়োকখৎনবা তোঙান-তোঙানবা প্রোগ্রাম কয়া লৈঙাক্কী মখাদা পায়খৎলি। লমদমসিগী ফুরুপশিংগী শক্তম ঙাক্লবা থৌরাং কয়াসু পায়খৎপা চঙই। মীশীং য়ামজদবা ফুরুপশিং অসি মুৎখিদনবা অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়নন্না থৌরাং কয়া পায়খৎপা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা এম এল এ, টি রোবিন্দ্রোনা হায়খি, তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা অমত্তা ওইনা খুন্দামিন্নরিবা লমদম অসি নুংশি-চান্নবা অমদি চাউখৎপা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নসি। নাৎকী শক্তমশিং ঙাকপা হায়বসিসু য়াম্না মরু ওইবা অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা রেইদ চত্থখিবা থম্মোয়..

*লামায় ১গী মখা...* কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা খক তৌরোই। মীপুম খুদিংমক চপ মান্নবা মীৎয়েং থম্বগা লোয়নন্না য়াইস্কুল কন্সটিট্যুএন্সি করম্না চাওখৎহনগদগে হায়বদুদা অহেনবা মীৎয়েং চঙগনি। কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মফম কয়াদা শেমজিন-শাজিনবগী থবক তৌদনা লৈরগা ঈশিং চাওবা মতমদা কন্সটিট্যুএন্সিগী মীওইশিংনা দ্রেন অমা শেমজিনজগে হায়না থৌরাং তৌবদা এম এল এ অমদি পুলিসনা অথিংবা পীরকখিবদু অঙকপা ফাওই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম এল এ এ কে মিরাবাইনা হায়খি, হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাকসি দিক্টেটরসিপকা পাংখক ওইরে। লৈঙাক্লা ওপোজিসন অমদি মীয়ামগী খোল্লাও নমথদুনা থল্লে। কোংগ্রেসকী স্পোকপর্সন আর কে অনন্দনা হায়খি, কোংবা শৌদোংবুং লম্পাক্তা য়াম্না ঈং-চিক্না অমদি চাওনা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরম্বা থৌরম অসি ষ্টেট লৈঙাক্লা অথিংবা পীরকপদগী চাওনা পাঙথোকপা ঙমহন্দ্রে। লৈঙাক্লা মীয়ামগী ফ্রীদম ওফ স্পীচ মৎলে হায়বা থৌওং অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হান্নগী এম এল এ, এনজি বিজয়না হায়খি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা উরিবা অসিগুম ষ্টেট অসিগী লৈঙাক মফম মরাং খঙদ্রে। কোংগ্রেসকী স্পোকপর্সন এস মনাওবী, হরেশ্বর গোস্বামি, য়াইস্কুল ব্লোক কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট টি ঐচ গুনেশ্বর, ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসন কয়াগী থৌমীশিং অমদি লমদম অদোমগী মশিং য়াম্লবা মীয়ামসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

## মিরাবাই চনুদা খেল রত্না ...

*লামায় ১গী মখা...* কুমার ছেত্রি, এথলেটিক্সকী বোবি এলোইসিয়স অমসুং রেষ্টলিংগী চুগেল দাদু দট্টত্রেনি।

রাস্ত্রিয়া খেল প্রোটসাহন পুরস্কার ফংখ্রবশিংগী রাস্ত্রিয়া স্পাট নিগম লিমিটেদ, জে এস দব্লিয়ু স্পোর্টস অমসুং ইসা আওটরিচনি। টেঞ্জিং নোর্গে নেসনল এদভেঞ্চর এৱার্দ ফংখ্রবশিংদি ডা. অন্সু জমসেনপু (মাওন্টেনিয়র), লৈখিদ্রবা রবি কুমার (মাওন্টেনিয়র), লেফটনেন্ট কম্মান্দর বার্টিকা জোসি (নেভি), লেফটনেন্ট কম্মান্দর পাটরলাপলি স্বাতি (নেভি), লেফটনেন্ট কম্মান্দর সৌগ্রাকপম বিজয়া (নেভি), লেফটনেন্ট কম্মান্দর আইশ্বরিয়া বোদাপতি (নেভি), লেফটনেন্ট পায়ল (নেভি), কেপ্টেন উদিৎ থাপর (স্কাইদাইভর) অমসুং সোনম ৱাংয়াল (মাওন্টেনিয়র)নি।

গুরু নানক দেব য়ুনিভর্সিটি অমৃতসরদা কুমজা ২০১৭-১৮ গী ওইনা মৌলানা অবুল কালাম অজাদ ট্রোফি খুৎশিন্নখি।

## লিটরেরি মীট

*লামায় ১গী মখা...* প্রোগ্রামশিং অসিদা মকোক মথং তাখ্রবা মহৈরোয়শিংদসু মনা-মথুম পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। মকোক মথং তাখ্রবশিংদি রিসাইটেসনদা অহানবা পোজিসনদা তিননৈহোই, অনীশুবদা চিননৈভা অমসুং অহুমশুবদা লিংহোইকিমনি। সোং কম্পিটিসনদা অহানবা পোজিসনদা নেঙাইকিম, অনীশুবা পোজিসনদা থোংমিনলেন অমসুং অহুমশুবদা থাংমিনজোয়নি। এক্সটেম্পর স্পিছতা অহানবা পোজিসনদা তিননৈহোই, অনীশুবদা রেবেক্কা অমসুং অহুমশুবদা চিননৈলোমনি।

লিটরেরি মীট অদুগী অহানবা সেসন অয়ুক পুং ১০ দা পাঙথোকখি। সিমসিমনা কন্দক্টর ওইখি। ক্লাস টেনগী মহৈরোয়না ওপন্নিং সোং শকখি। উতোংলোক বেপ্টিষ্ট চর্চকী পাষ্টরনা ওপন্নিং প্রেয়র তৌখি। কনভিনর এস এম দি সীনা ৱেলকম এদ্রেস পীখি। হেদমাষ্টরনা কি-নোট এদ্রেস পীখি। ক্লাস নাইনগী মহৈরোয়শিংনা কোরিওগ্রাফি উৎখি।

অনীশুবা সেসন অয়ুক পুং ১১.৩০ দগী হৌখি। ক্বিজ কম্পিটিসন, রিসাইটেসন, সোং কম্পিটিসন, দিস্কসন টোপিক- হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেসন ইন মণিপুর এন্দ ইন্দিয়ন ওক্যুপেসনেল ফোর্স (আই ও এফ) পাঙথোকখি। রাংবেকলিয়ন অমসুং পার্টিনা গ্রুপ দান্স উৎখি। রেবেক্কা এন্দ পার্টিনা ঈশৈ শকখি। উতোংলোক বেপ্টিষ্ট চর্চকী এসিষ্টেন্ট পাষ্টরনা ক্লোজিং প্রেয়র তৌখি হায়রি।

## পি এল এগী ৪০ শুবা মপোক...

*লামায় ১গী মখা...* য়ু এল এফ এ (আই) গী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি অরুনোদোয় অসোমনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা পাঙথোকখি। পার্টিগী সেন্ট্রেল ব্যুরোগী মখাদা লৈরিবা দিভিজন ২, ৪, ৬, ৮, ১০ গী মফমশিংদা লৈরিবা দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্না লৈবাক মীয়ামগা লোয়নন্না ষ্টার য়াওবা ফেষ্টুন অমদি পি এল এগী অঙাঙবা থৱানমিচাকশিং থেৎতুনা মণিপুরগী মফম শিনবা থুংনা ৪০ শুবা পি এল এগী মপোক কুমওন পাঙথোকখি হায়নসু মখা তারক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর মীয়ামগী নিংতম্বা হঞ্জিন্নবগীদমক লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লিবা নিংতম লাঞ্জং অসিদা মাঙজিল থানা থৱায় কৎথোক্তুনা লাক্লবা মীয়ামগী নিংতম লান্মী পিপলস লিবরেসন আর্মিগী ৪০ শুবা মপোক কুমওনগী থৌরমদা ঈকায় খুম্নজরবা আর পি এফগী প্রসিদেন্ট ইরেংবম চাওরেননা মণিপুরগী মীয়ামদা পীবা য়াইফ পাউজেল পাথোকখি।

পি এল এগী ৪০ শুবা মপোক কুমওন অসিদা ৱেসিয়া রিজন অসিগী য়াওল্লোয় লুচিংবশিংনা মমল য়াম্লবা পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইরবা পাউজেল কয়া পীবীরকপগীদমক আর পি এফকী মায়কৈদগীসু ঙমখৈ লৈতনা লুচিংবশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা অমসুং থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

পি এল এগী ৪০ শুবা মপোক কুমওনগী পাউজেল অসিনা মণিপুরদা য়েলহৌঙেদগী নুংশি চান্নবা খুন্দামিন্নরিবা ইরৈচা পুম্নমক্না অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা ইমালৈবাক অমদি মীয়ামগীদমক হেন্না মাঙজিল থানা কত্থোকপা ঙম্বা, নুংশি চান্নবা হিংমিন্নবা অমসুং মায় পাকপা পুরকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়নসু পাউজেল পীরক্লি।

## এম য়ু ৱাথোক্কী ৱারোইশিন ...

*লামায় ১গী মখা...* মায়কৈদা পুগনি হায়বগী ৱাখল্লোন থাদোকপিয়ু। মরম চাদনা বন্দ তৌবদা ঐখোয়না শৌগৎলোইসি। বন্দ তৌরিবা অসিগী মরম হান্না নৈনবা মথৌ তাই। লৈবাক্কী ওইবা ইশু ওইরগদি ঐখোয় পুন্না শৌগৎমিন্নদুনা থেংনমিন্নসি। লোয়নন্না মহৈরোয়শিংবু লম্বীদা থোকহনবনচিংবা তৌদুনা লান্না শীজিন্নবগী থৌওং থিংনবা কেম্পেন চথবা তঙাইফদে।

মহাক্লা হায়, লৈঙাক অসি হৌজিক মীয়াম্না য়াবা লৈঙাক অমা ওইরিবনি। মীয়াম অমসুং পুলিসশিংগী মরক্তা লৈরিবা মরী অসিসু ফগৎহনবা ঙমলে। লৈঙাক অসিনা পায়খৎপা গো টু ভিলেজ মিসনগী মখাদা লৈঙাক্কী থবক থৌরম, স্কিম কয়া য়ুমথোং খুদিংদা য়ৌহনবা ঙম্লে। মিসন অসিগী মখাদা খুঙ্গং ২,৬৬০ গী মনুংদা খুঙ্গং ১,৬০০ রোমগী ৱাকৎ তাদুনা খুদোংচাদবশিং কোকহনবা হৌরে হায়খি।

থৌরম অদুদা মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চ্যেরমেন এল রাধকিশ্বোর, টুরিজম কোওর্পোরেসন ওফ মণিপুরগী চ্যেরমেন ডা. এস রঞ্জন, পি দি এগী চ্যেরমেন টি রোবিন্দ্রো অমসুং পন্দিট দিন দয়াল উপধ্যায় ইন্সটিট্যুট ওফ এগ্রিকলচরেল সাইন্সেসকী দিরেক্টর ডা. আর কে ইমোতোম্বসু শরুক য়াখি।

## খোঙজং লেপত্রবদি এম য়ু ...

*লামায় ১গী মখা...* চঙশিল্লিবশিংগী অপান্বা মতুং ইন্না ফেক্ট ফাইন্দিং কম্মিটি অমদি ইন্দিপেন্দেন্ট ইনক্বাইরি কম্মিটি শেন্নবসু খোঙজং হন্দোকপা তৌখিদে। সেপ্তেম্বর ১৭ তা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা খোঙজং চঙশিল্লিবা মহৈরোয়শিংগী ইহুল খঙনা প্রোফেসর পান্দে সস্পেন্দ তৌখি। অদুবু মুসু, মুটা, মুসা অমসুং মুৱাগী খোঙজং লেপ্তুনা চত্থরকখি। সেপ্তেম্বর ২০ দা থোকখিবা পামদবা থৌদোক অমদা মীয়াম্না প্রো ভাইস চান্সেলর অমসুং রেজিষ্ট্রার ইনচার্জদা লৈখিদ্রবা প্রোফেসর ইস্লামুদিনগী মিং পন্দুনা কিহনবগী থৌওং চত্থরকখি। প্রো ভি সীনা কমপ্লেন্ট তৌবদগী শীংজমৈ পুলিস ষ্টেসন্না কেস অমা রেজিষ্ট্রার তৌদুনা লোগী ওইবা থৌরাংশিং লৌখৎলকখি।

হেক হৌবদগী হৌনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীওইশিংনা কনাগুম্বা খরগী থৌইনশিন্দগী লৈঙাক্তা অপনবা থোকহন্নবা হোৎনদুনা লাকখি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, মখা তানা খোঙজং চঙশিল্লকপদগী য়ুনিভর্সিটি মথৌ পাঙথোকপা ঙমদ্রবদি য়ুনিভর্সিটি অসি চীংগী মফম অমদা হোংদোক্তুনা মহৈরোয়শিংবু মহৈ-মশিন তম্বদা পুক্নিং চঙহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি। মহৈরোয়শিংগী লূপশিংনা জেনরেল ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং হন্দোকপগা লোয়নন্না মহৈরোয়শিংগী য়েংলগা ভি সী ইনচার্জদা অয়েৎ-অপন পীবিগনু হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

## য়ানবা পুরকখিদ্রে, কাইনা

পাঙন্বম শাগৈ সেবা কম্মিটিনা কাইনাগী ৱাথোক য়াশিন্নরসি হায়না **Kaina Govinda Development and Protection Organisation** দা Manipur High Court কী খুত্থাংদা হায়জরকপা ৱাফম অহুল্লক ফল্লবা ফাওবদা য়াশিন্নবা পুরকখিদ্রে। মরম অদুনা হান্নদগী Kaina Govinda দা লাই খুরুমবা অমদি উসোবনচিংবা তৌবা মতম কক্তনা অদুম্মক অথিংবা থমখিগনি।

*অথিংবা থল্লিবা ঃ*

**L. Megha Singh, *President***
The Kaina Development and Protection Organisation, Regd. No. 461/SR(I/E,2014)

HL-P/2203/26

# চরা হেল্লিবা মহৈরোয়শিংগী ফিভম শোকচিল্লক্লে, পুলিসতা নুঙনা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতগী পুলিসকী ফোর্স লৌথোকউ, মহৈরোয়শিং লাইরিক তম্বা ফঙহল্লু, ফাখিবা ওজা অমদি মহৈরোয়শিং থাদোকউ হায়বা দিমান্দদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পসতা লৈবা গার্লস হোষ্টেল ১, ২, ৩, ৫ কী মহৈরোয় ৭৩ না ঙরাং অয়ুক্তগী চরা হেনবগী খোঙজং চত্থরকপা অদুদা মহৈরোয় খরগী হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লক্লে হায়রি।

ঙসি অয়ুক চরা হেল্লিবা মফম অদুদা দোক্তরগী টিম অমা লাক্তুনা মহৈরোয়শিংগী হকচাংগী ফিভম য়েংশিনখি। চরা হেল্লিবা মহৈরোয়শিং অদুগী মনুংদা গার্লস হোষ্টেল নম্বর ১ দা মহৈরোয় ১২, হোষ্টেল নম্বর ২ দা মহৈরোয় ২০, হোষ্টেল নম্বর ৩ দনা মহৈরোয় ২০, হোষ্টেল নম্বর ৪ দা মহৈরোয় ২৫ অমদি হোষ্টেল নম্বর ৫ দা মহৈরোয় ৮ চরা হেনবগী খোঙজং চত্থরি।

চরা হেল্লিবা মহৈরোয়শিং অদুগী হোষ্টেলগী ৱার্দেন্না মখোয়গী চান-থক্নবা পোৎলম কয়া পীরবসু মখোয়না চাদনা থল্লি। চরা হেল্লিবা মহৈরোয় অমনা ফোঙদোরকপদা, মহৈরোয়শিং ঈংনা চিক্না লাইরিক তম্বা পাম্মী। অদুবু এম য়ুগী কেম্পস মনুংদা পুলিস ফোর্স ময়াম থমজিনবা অসিনা মহৈরোয়শিং চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে। হোষ্টেলদগী হেক থোকপদা কদায়দা চৎখিগদৌরিনো হংই। মরম অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্তুনা এম য়ু অসি তং তাবা পুরক্তুনা মহৈরোয়শিংগী পুন্সি কনবিনবা আপিল তৌরি।

অমরোমদা, টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয়শিংসু মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওজা অমদি মহৈরোয়শিং ফাজিনখিবা থৌওং অদু য়ানিংদে অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পসতগী পুলিস ফোর্স লৌথোকউ হায়বা দিমান্দগা লোয়নন্না মখোয়গী স্কুল গেট মপানদা প্রোটেষ্ট তৌবদা পুলিসনা তানশিল্লগা গেট মনুংদা থমখি। মতুংদা মহৈরোয়শিং নুংথিল পুং ২ মুক তাবদা স্কুল ছুটি থাদোকপদগী মহৈরোয়শিংগী মরক্তা খরা অমনা প্রোটেষ্ট তৌনিংবা অমদি খরা অমনা ময়ুমদা চৎনিংবা য়াওরকপদগী মখোয় মশেলগী মরক্তা মুক্নরক্তুনা গেট নমখায়রকপদগী পুলিসনা মখোয়বু থিংনবা কন্না হোৎনখি। মতুংদা মহৈরোয়শিং অদু ময়ুম ময়ুমদা হন্নখি হায়রি।

মরকসিদা, সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয়শিংসু নুংথিলগী পুং ১ রোম তাবা মতমদা এম য়ুগী ওজা অমদি মহৈরোয়শিং ফাজিনখিবা অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লম্বীগী নাকলদা প্রোটেষ্ট তৌনবা থোরকপদা মশীং য়াম্লবা ইম্ফাল ইষ্ট পুলিসকী টিমনা গেট মনুংদা হোয়জিল্লগা থমখি। মতুংদা মহৈরোয়শিংগী মরক্তগী স্কুল কেম্পস মনুংদগী পুলিস লৈরিবা মায়কৈরোমদা নুঙনা থাজিল্লকপদগী ঈরাং থোকখি। পুলিসনা ঈরাং অদু লাকশিন্নবা তিয়ার গ্যাস সেল মরি মঙা কাপশিন্দুনা ঈরাং অদু লাকশিনখি। মতুংদা মহৈরোয়শিং অদু স্কুল কেম্পসতগী ময়ুম ময়ুমদা হন্নখি হায়রি।

# কোংগ্রেসতা য়াওরকখ্রবা এ দি সী মেম্বর গোটিনলম তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল চান্দেলগী মেম্বর গোটিনলম (লম্বোই গাংতে)না বি জে পি থাদোক্লগা ইনিদয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী)দা য়াওরকপদা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এ দি সী মেম্বর গোটিনলমবু তরাম্না ওকখি। কোংগ্রেস পার্টিদা য়াওবগী চেসু গোটিনলমদা খূৎশিন্নখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট টি এন হাওকিপনা হায়খি, এ দি সী চান্দেলগী ১৫-মোরে (সী) কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মেম্বর গোটিনলম অসি আই এন সীদা হৌখিবা এ দি সী মীখলদা মায় পাকখিবনি। মতম খরা বি জে পিদা অমুক য়াওরুরে। বি জে পিদা য়াওরুরবা মতুংদা পার্টি অদুগী থবক থৌরাংশিং অদুদা য়ানিংদবা কয়া লাকপদগী কোংগ্রেসতা অমুক হল্লক্লে। গোটিনলমনা ঙসি কোংগ্রেসতা অমুক হল্লকপা হায়বসি য়ূমদা হল্লকপগুম্বনি।

কোংগ্রেস পার্টিদি কাঙলূপকী খেন্নবা লৈতবা, অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন লৈবা পার্টি অমনি। পার্টি অসিদা য়াওরম্বদগী তোকখ্রবশিংনা অমুক হল্লকপা মতমদসু তরাম্না ওক্কনি। কোংগ্রেস পার্টিদি পূন্না নুংশি-চান্ননা চৎমিন্নবদা থাজবা পার্টি অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা কোংগ্রেসতা চঙলকখ্রবা এ দি সী মেম্বর গোটিনলমনা ফোঙদোকখিবদা, কোংগ্রেস পার্টিদা অহানবা ওইনা য়াওদুনা মতম শাংনা থবক তৌরমখি। পার্টি অসিগী নুংশিবা অসি কৈদৌঙৈদা থাদোকপা ঙমদে। হৌখিবা এ দি সী মীখলদসু কোংগ্রেস পার্টিদা কাখিবনি। ষ্টেট অসিদা বি জে পিগী লৈঙাক লাক্লবা মতমদা এ দি সীগী লুচিংবা অমনা লৈঙাক পায়বা বি জে পিদা য়াওদুনা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎনবা হোৎনসি হায়না তকশিল্লকখি। অহানবদদি য়াখিদে। তুংদা কন্না তকশিল্লকপদগী বি জে পিদা য়াওখি।

বি জে পিদা য়াওরবা মতুংদা থবক থৌরাং কয়াদা য়ানিংদবা কয়া লাকখি। পাৱর কা হেন্না শীজিন্নবা অমদি চত্থরক্লিবা থৌওং কয়া অসিদা য়ানিংদবদগী কোংগ্রেস পার্টিদা অমুক হল্লকপনি। বি জে পিদা ব্লেম তৌবদি লৈতে। পার্টি অসিগী ওইনসু চৎন-কাঙলোন কয়া অমা লৈরিবনি। কোংগ্রেস পার্টিদা অমুক হন্না হল্লক্লুগে হায়না হায়জবদা তরাম্না ওকপীবা অসিগীদমকসু নুংঙাইবা ফাওই হায়নসু ফোঙদোকখি।থৌরম অদুদা এম এল এ, দি কোরুংথাং অমদি এক্স এম এল এ, টি মঙ্গিবাবুসু শরুক য়াখি।

# ইম্ফাল-জিরি হেলি সার্ভিস ফাগি তারে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫(ঐচএন এস): মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অচৌবা মঙলান অমগা লোয়নন্না সেপ্তেম্বর ১৯ দা হৌদোকখিবা ইম্ফাল-জিরি হেলিকোপ্তর সার্ভিস ফাগি তারে পেসেঞ্জরশিংনা সার্ভিস অসিদা থাজবা অমত্তা লৈত্রে হায়রি।

ঙসিসু জিরিবামদগী ইম্ফালদা অথুবগীদমক চৎনবা পেসেঞ্জরশিংনা জিরিদগী অহানবা ট্রিপ পুং ৯.৫০ অমসুং অনীশুবা ট্রিপ পুং ২.৫৫ দা চৎননবা টিকেটশিং কক্নদুনা ঙাইনখি অদুমকপু ইম্ফালদা নোং য়াম্না কন্না তাই হায়দুনা জিরিবামদা ঙসিগী ওইনা হেলিকোপ্তর সার্ভিস কেন্সেল তৌরে হায়রকপদগী পেসেঞ্জরশিং মৈ হৌনা শাওনবগা লোয়নন্না টিকেটকী পৈশাশিং হন্দোকহনখি হায়রি।

পাউ চে অসিদা পেসেঞ্জর অমনা ফোঙদোকরপদা ইম্ফালদা নোং য়াম্না কন্না তারি অদুনা হেলিকোপ্তর পাইরক্তবনি হায়রকপগা ইম্ফালগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ফোন তৌদুনা হংলুবদা নোংদি অমত্তা তাদে ঙসিদি য়াম্না শাই হায়না খুম্লকখি হায়রদুনা হেলিকোপ্তর পাইরক্তবা অসি নোং তাবগী মান্দে ইম্ফালদা পেসেঞ্জর লৈতবদগী পাইরক্তবা শোইদনা ওইগনি হায়নসু ফোঙদোরকখি। ইম্ফালদা পেসেঞ্জরশিং লৈত্রগা পাইবা য়াদ্রে হায়দুনা জিরিবামদা লৈরিবা ট্রিপ অনীগী পেসেঞ্জরশিংদা মীনম্বা অমদি অৱাবা পীবা, পেসেঞ্জরশিংবু লাক্লবগী থৌওং অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌবিগনু হায়নসু পেন্দবা ফোঙদোক্লদুনা হেলি সার্ভিস অসি হৌদোকপদা ঙাইরিঙৈদা পেসেঞ্জরশিংদা মীনম্বা অমদি থাজবা মাঙহনবা অসি মমিংফাও তাদনা মুৎখিবা য়াবগী থাজবা চাওনা লৈরে হায়খি। হৌখিবা সেপ্তেম্বর ১৯ দা ইম্ফাল-জিরি হেলিকোপ্তর সার্ভিস অসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হৌদোকখিবদগী ঙসিফাওবা জিরিবামগী হেলিপেদতা হেলিকোপ্তর অমত্তা পাইরক্ত্রি। জিরিবামগী হেলিপেদ লৈরিবা মফম অসিসু জিরি টাওন্দগী কিলোমিটর ৭ রোম লাপ্লতা নত্তনা লম্বীগী ফিভম অসুক্কী মতিক ফত্তে অমদি পেসেঞ্জরশিংনা মফমদু য়ৌনা চৎনবা হোৎনবা গাড়িগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লে হায়রি।

# মোরেদা কেজি ৩.৫০ লুম্বা আই ঈ দি অমা লৈরম্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ : মোরে পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা দালপতি মোরে গেট নম্বর টুগী লম্বী মনাক্তা অমুবা প্লাষ্টিক্লা য়োম্বা আই ঈ দি অমা ১১শুবা অসাম রাইফ্লসনা পেট্রোলিং চৎপদা থেংনরকপনি হায়রি। ঙসি অয়ুক পুং ৫.৩০ রোম তাবা মতমদা আই ঈ দি অদু হেক থেংনরকপদগী মফম অদুদা অসাম রাইফ্লসনা মী চৎথোক চৎশিন তৌবা থিংখি। মতুংদা নুমিৎয়ুংবা মতুং ৩০ রোম তাবা মতমদা অসাম রাইফ্লসকী বোম স্কৱাদ টিম অমনা অশোয় অঙাম য়াওদনা লৌথোকখি। কেজি ৩.৫০ রোম লুম্বা আই ঈ দি অদু মোরেগী হোলেনফাইদা পুথোক্লগা পোকখায়হনখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা এ আর অমদি পুলিসনা কম্মান্দোনা অকোয়বগী মফমশিংদা থি-হুম্বা চত্থখ্রে।

**JOINT ADMINISTRATIVE COUNCIL**
of
**All Manipur Trade Unions' Council (AMTUC)**
**AND**
All Manipur Government Employees' Organisation (AMGEO)
Head Office : BABUPARA, NEAR STATE GUEST HOUSE
IMPHAL-795001, Manipur
E-mail: jacofamtuc_.amgeo.manipur@yahoo.corn,
www.facebook.com/Joint Administrative Council of AMTUC & AMGEO, Manipur

**Appeal to the Government of Manipur**

Imphal, the 17th September, 2018

No. 5/S(A)JAC-CD/2016 ; The Apex Body of Joint Administrative Council of All Manipur Trade Unions' Council ( AMTUC ) & All Manipur Government Employees' Organisation ( AMGEO ), appeals the Government of Manipur for due attention to the following prioritized points of Charter of Demands.

- Adoption of 7th Central Pay with arrears w.e.f. 1st January, 2016.
- Immediate Payment of all due DA/DR.
- Secretariat Duty Allownace in respect of Scretariat Employees & others Department specially Revenue Department (District Administration), CAF & PD Department respectively should be paid @ 10% of corresponding Basic pay as agreed upon.
- To establish Manipur State Staff Selection Commission for recruitment of group C employees etc.

We also vow to remind the Government, the 22 Points Charter of Demands already submitted to the Hon'ble Chief Minister, Manipur.

Sd/- **Laitonjam Biken**
Secretary General
Joint Administrative Council of AMTUC & AMGEO,
Manipur

HL-P/2199/26